যু এসনা ত্রুপ লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌরকপদা সোমালিশিং পেন্নদ্রে

অদিস অবাবা, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মহাক্কী প্রসিদেন্সিগী মতম লোইরমদাইদা যু এস ত্রুপশিং সোমালিয়াদগী লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌরকখিবদা সোমালি কয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা যু এসকী প্রসিদেন্টদা ৱারেপ অদু হন্দোক্লবা তকশিনখ্রে।

অল-সবাব অমসুং মখোয়গী গ্লোবেল নেটৱর্ক মায় পাক্লা থেংনরকপগী মরু ওইরবা তাঙ্কক অসিদা যু এসনা সোমালিয়াদগী ত্রুপ লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌরক্লিবসি য়াম্না নুংনাংনীংঙাই ওই হায়না সিনেটর অয়ুব ইসমাইল য়ুসুফনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি। অল কাইদাগা মরী লৈনবা অল সবাব গ্রুপ লাকশিন্নবা হোৎনবদা যু এস ত্রুপশিংনা চাউনা মতেং পাংদুনা লাকখিবনি।

যু এস ত্রুপশিংনা অচৌবা কনত্রিব্যুসন অমা পীখি। সোমালি লান মীশিংগী ত্রেনিং অমসুং ওপরেসনশিংদা মখোয়না চাউনা মতেং পাংখি হায়না সোমালিয়াগী সিনেট ফোরেন এফেয়ারস কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইরিবা য়ুসুফনা ফোঙদোকখি। মহাক্না ত্বিট অমগী খুৎথাংদা ত্রুপ লৌথোকপগী ৱারেপ য়ানীংদে হায়বসি প্রসিদেন্ট ইলেক্ট জো বাইদেনদা খঙহনখি।

লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৫ ফাওবগী মনুংদা সোমালিয়াদা দিপ্লোই তৌরিবা যু এস ত্রুপ ৭০০ লোম লৌথোক্লবা ইরাই নুমিৎতা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতাংদা সোমালি গৱর্ণমেন্টতগী খুদক্তা কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদে।

মালেমনা শৌগৎপা সোমালিয়াগী মরা চেৎতবা গৱর্ণমেন্টনা থা অসিগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্টরি মীখল পাঙথোক্লবা অমসুং ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা নেসনল মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি। অসুম্না পুন্না ত্রুপ ১৭,০০০ রোম ওইবা অফ্রিকান য়ুনিয়নগী পিছকিপ্পিং ফোর্স হন্থহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মীখল অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

যু এস ত্রুপশিং অদু মরু ওইনা কেনিয়া অমসুং য়ুগন্দাগুম্বা লৈবাক কয়াদা এটেক কয়া চথদুনা অমেরিকানশিং য়াওনা মীচম চা কয়া হাৎখ্রবা অল সবাবকী মায়োক্তা চথরিবা ওপরেসনশিংদা দানাব হায়নসু খঙনবা সোমালি স্পেসল ফোর্সশিংদা মতেং পাংদুনা লৈরিবনি।

রেগুলর ফোর্সশিং ত্রেনিং ৱাৎপা, খুৎলায় মতিক চাদবা লোয়ননা তোইনা গেষ্ট থাদোক্লবা নৎত্রগা নেসনল অমসুং রিজনল গৱর্ণমেন্টকী মরক্তা পৱারগী মীকানবদা য়াওশিনবদগী দানাবকী মথৌ তৌফম থোকপদগী য়াম্না হেনখি।

মতম চুপ্পগী ওইনা ত্রুপ লৌথোকখিবা তারবদি কাউন্যর টেররিজমগী থবক্তা অকাইবা চাউনা থোকহনগনি হায়না কর্নেল অহমদ অদুলাহি শৈইখনা ফোঙদোকখি। কর্নেল অসি দানাবকী কম্মান্দর ওইনা কুমজা ২০১৯ ফাওবদা চহী অহুম সর্ভ তৌখি।

মহাক্না যু এস ফোর্সশিংগা পারগা লান শোক্লখি অমসুং মহাক্কী কম্মান্দ মনুংদা অমেরিকান অনীগা লোয়ননা মহাক্কী মীওই ১০০গী মথক্তা শিখি। যু এস অমসুং সোমালি ফোর্স অনীমক্না ত্রুপ লৌথোকপগী ৱাফম অসি য়াদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

শেইখকী মতুংইন্না, দানাবকী ত্রুপ মশীং ৩,০০০ ফাওবা শুহনবগী যু এসকী প্রোগ্রাম কুমজা ২০২৭ ফাওবা চত্থগদবনি, তৌইগুম্বসুং প্রোগ্রাম অসি তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

স্পুটনিক-৫ সোটশীজিন্নদুনা রসিয়াদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন পাক্তক্ননা পাঙথোকপা হৌরগনি

মোস্কো, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : রসিয়ানা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা অহানবা ওইনা পাক্তক্ননা ভেক্সিনেসন তৌনবগী থৌরাং ওইনা মোস্কোনা থাংজ নুমিৎতা ক্লিনিক ৭০গী খুৎথাংদা স্পুটনিক-৫ কোভিদ-১৯ সোট চাইথোকপা হৌখ্রে হায়না সিটি অসিগী কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্সনা ফোঙদোরক্লি।

টাস্ক ফোর্স অসিনা হায়, রসিয়ানা শাজবা ভেক্সিন অদু লায়না অসিদা এক্সপোজ তৌবা য়াবগী রিস্ক খ্বাইদগী ৱাংলিবা ডোক্টরশিং অমসুং অতৈ মেদিকেল ৱার্করশিং, ওজাশিং অমসুং সোসল ৱার্করশিংদা হান্না ফংহনগনি।

এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুট অমদা থবক তৌবা ওইবনা প্রাইওরিটি বেসিসতা কোভিদ-১৯ ভেকিসন লেম্না ফংহনগনি হায়না থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা মোস্কোদা লৈবা মীওই অমগী ফোন্দা লাকখিবা টেক্স মেসেজ অমনা হায়খি। মীওই অদু এলিমেন্টরি স্কুল ওজা অমনি।

রসিয়াগী কোরোনাভাইরস লাইচৎকী এপিসেন্টর ওইরিবা মোস্কোদা থাংজ নুমিৎতা অনৌবা কেস ৭৯৯৩ রেজিষ্টর তৌদুনা মমাঙগী নুমিৎকী ইনফেক্সন মশীং ৬,৮৬৮দগী হেনখি অমসুং সেপ্টেম্বরগী অঙনবদা নুংতিগী থেংনখিবা কেস ৭০০ লোমদগী য়াম্না হেনখি।

অহানবগী পুং ৫ রোমগী মনুংদা ইঞ্জেক্সন অদুগীদমক্তা মীওই ৫০০০না সাইন অপ তৌখি। মীওইশিং অদু হকশেল অমসুং পুন্সিদা হৌজিক রিস্ক খ্বাইদগী ৱাংনা মায়োক্লরিবা ওজাশিং, ডোক্টরশিং, সোসল ৱার্করশিংনি হায়না মোস্কো সিটিগী মেয়র সর্গি সোবয়ানিন্না ইরাই নুমিৎতা মহাক্কী ৱেবসাইটতা ইখি।

ভেক্সিন সোটশিং অদু থাগদবশিংনা চহী ৬০গী মথক ওইরোইদবনি। মশাদা হান্নদগী লায়না-তীলনা চেনবশিং, মীরোনবী নুপীশিং অমসুং মমাঙগী চয়োল অনী চুপ্পা রেস্পিরেটরি দিজিজ লৈরকপা মীওইশিং ভেক্সিন থাবা য়ারোই।

রসিয়ানা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অনী দিভলপ তৌখি। স্পুটনিক ৫ পুথোকপগী থবক রসিয়ন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট ফন্দনা শৌগৎলি অমসুং অতোপ্পা ভেক্সিন অদুনা সাইবেরিয়াগী ভেক্টর ইন্সটিট্যুটনা দিভলপ তৌবনি। ভেক্সিন অনীমক অরোইবা চাংয়েং মপূং ফাদ্রিবনি। রসিয়ানা ভেক্সিন য়াম্না থুনা পুথোকপগা লোয়ননা সেফটি অমসুং ইফিকেসি টেষ্ট তৌবগী চাংয়েংশিং মপূং ফাদ্রিঙৈদা ভেক্সিন দোজ মশীং য়াম্না শানবা অমসুং মাস ভেক্সিনেসন চত্থনবগী রেগ্যুলেটরি অয়াবা পীখিবা অসিদা মালেমগী সাইন্টিষ্টশিংনা চিংনবা ফোঙদোক্লখি। স্পুটনিক -৫ ভেক্সিন অসি ইঞ্জেক্সন অনী থোক্লা পীগদবনি। অনীশুবা দোজ অদু অহানবা দোজ থাখিবা মতুং নুমিৎ ২১নি লৈরগা পীগদবনি।

মোস্কোনা হৌখিবা মার্চকী অথেংবদা দেলিভরিগী নত্তনা কেফেশিং অমসুং পার্কশিং য়াওনা মী তিনবা য়াবা মফম খুদিংমক থিংজিনখি। লম্বীদা পুলিসনা পেট্রোলিং তৌদুনা রুল থুগাইবশিং ৱারকখি। অথিংবশিং অদু জুন থাখাই চনবদগী কোমথোকহনবা হৌখি। থাংজ নুমিৎতা রসিয়া পুম্বগী অনৌবা ইনফেক্সন মশীং ২৮,৭৮২ ওইদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী য়াম্বা মশীং ওইখি। মসিগা লোয়ননা লৈবাক্কী অপূনবা কেস মশীং ২,৪৩১,৭৩১ য়ৌদুনা লৈবাক অসিনা মালেমদা কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা মরিশুবা লৈবাক ওইরি।

চহীগী গ্লোবেল টিচর প্রাইজ দোল্লর মিলিয়ন ১ মহারাষ্ট্রগী প্রাইমারি স্কুল ওজা অমদা পীখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াগী প্রাইমারি স্কুল ওজা অমা দোল্লর মিলিয়ন অমগী শেনফম ওইবা চহীগী গ্লোবেল টিচর প্রাইজ ২০২০গী ৱিন্নরনি হায়না শগোলশেন নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

নুপীমচাশিংগী মহে-মশীন তম্বা খুমাঙ চাওশিনহনবা অমসুং ইন্দিয়াদা ক্বিক-রেসপোন্স (ক্যু আর) কোদেদ টেক্সবুকশীজিন্নদুনা মহৈ তম্বগী অওনবা অমা লাকহনখিবদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংশিং শকখঙলদুনা প্রাইমারি স্কুলগী ওজা অসিদা চহীগী ওইবা গ্লোবেল টিচর এৱার্দ অদু পীখিবনি।

মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী সোলাপুর দিষ্ট্রিক্টকী পারিটেৱাদি খুঙ্গংদগী মশাগী চহী ৩২শুবরা রঞ্জিটসিনহ দিসালে কৌবা ওজা অসি মালেম পুম্বগী ফাইনেলিষ্ট ১০গী মরক্তগী খনগৎতুনা প্রাইজ অদুগী ৱিন্নর ওইখিবনি। চহীগী ওইনা পীবা প্রাইজ অসি ওজাগী শিনফমদা থোইদোক্লা শিংথানিংঙাই ওইরবা কন্ত্রিব্যুসন পীরিবা থোইদোক হেন্দোক্লবা ওজা অমবু শকখঙনবগীদমক্ত ভার্কি ফাউন্দে দসনন কুমজা ২০১৪দা লিংখিবনি।

ওজাশিংনা মালেমদা অশেংবা অহোংবা পুরকপশিংনি হায়না থাজরিবা দিসালেনা প্রাইজগী শেনফম দোলর মিলিয়ন অমদুগী চাদা ৫০ মহাক্কী লেংমান্নবা ফাইনেলিষ্টশিংনা তৌরিবা শিংথানীংঙাই ওইরবা থবকশিং শৌগৎপা উৎপা ওইনা মহাক্না মখোয়গা স্যের তৌমিন্নরগনি হায়না লাউথোকখি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা এদ্যুকেসন অমসুং মসিগী কান্নবা লৌনবা হোৎনরিবা কম্যুনিটিশিংবু মওং কয়াদা খুদোংথীবা মায়োক্লহল্লকখি। তৌইগুম্বসুং লুরবা মতম অসিদা ওজাশিংনা মহৈরোয় খুদিংমকপু অফবা এদ্যুকেসন ফংহন্নবা হোৎনবদা মখোয়গী ঙমজবা থাক্ত হোৎনদুনা থবক তৌরি হায়না দিসালেনা ফোঙদোকখি।

ওজা অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অশেংবা অহোংবা পুরকপশিংদি ওজাশিংনি। মখোয়না চোক শীজিন্নদুনা শিংনবা কয়াগী মরক্তা থবক তৌদুনা মখোয়গী মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা অহোংবা লাকহল্লি। মখোয়না মতম চুপ্পা পীথোকপা অমসুং সিয়ারিং তৌমিন্নবদা থাজবা থমই। মরম অদুনা প্রাইজগী শেনফম অদুগী চাদা ৫০ মহাক্কী লেংমান্নবা টোপ ফাইনেলিষ্ট ১০ শিংথানীংঙাই ওইরবা থবকশিং শৌগৎতুনা মখোয়গী মরক্তা চপ মান্ননা স্যের তৌরগনি হায়না হরাওনা লাউথোকখি।

দিসালেনা প্রাইজগী শেনফমগী তঙ্খাই অমা অতৈ ফাইনেলিষ্ট মাপনদা স্যের তৌরগনি হায়না লাউথোরক্লিবা অসিগী ৱাহন্থোক্তি মখোয় খুদিংমক্না দোলর ৫৫,০০০ খরা হেন্না ফংলগনি হায়রি। অসুম্না মহাক্না মহাক্কী প্রাইজগী শেনফম স্যের তৌদুনা পুৱারী শেন্বা অহানবা ৱিন্নর ওইরি।

দোজ অনীগী মতুংদা কোভেক্সিননগী ইফিকেসি খঙগনি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : ভারত বাইওটেক্না পুথোকপা নোভেল কোরোনাভাইরসকী ভেক্সিন - কোভেক্সিননগী ইফিকেসি অনীশুবা দোজ পীরবা মতুং নুমিৎ ১৪নিখক লৈরগা লেপকদবনি হায়না হায়দারবাদতা বেজ তৌবা বাইওটেক্নোলোজি কম্পনি অসিনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কম্পনি অসিগী মতুংইন্না মখোয়গী ক্লিনিকেল চাংয়েং অদু নুমিৎ ২৮নি খন্নরগা থাবা দোজ অনীগী সেদ্যুল অমদা য়ুম্ফম ওই। ক্লিনিকেল চাংয়েংশিং অদুগী শরুক ওইনা চয়োল অনীরোমগী মমাঙদা কোভেক্সিননগী দোজ অমা কাপখিবা হরিয়ানাগী হেল্থ মিনিষ্টর অনিল ভিজনা মহাক টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্লে হায়না ফোঙদোরকখিবা মতুংদা কম্পনিনা শেংদোক-ৱারোল অসি থাদোরকখিবনি।

কোভেক্সিননগী ক্লিনিকেল চাংয়েংশিং নুমিৎ ২৮নি খন্নবা দোজ অনীগী সেদ্যুল অমদা য়ুম্ফম ওই। ভেক্সিন অসিগী ইফিকেসি অনীশুবা দোজ পীরবা মতুং নুমিৎ ১৪নি লৈরগা লেপকদবনি। কোভেক্সিন অসি সবজেক্টশিংদা দোজ অনী থারবা মতুংদা কান্নগদবা মওংদা দিজাইন তৌবনি হায়না বাইওটেক্নোলোজি কম্পনি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মখা তানা কম্পনি অসিনা ফোঙদোকখিবদা, চাংয়েং অদুগী মরু ওইনা শরুক য়ারিবশিংগী চাদা ৫০দা ভেক্সিন থাখি অমসুং অতৈনা প্লেসবো পীখি। অসুম্না ফেজ অহুমগী চাংয়েং দবল ব্লাইন্দ অমসুং রেন্দম ওইনা পাঙথোকই। ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর ভিজনা কাগুম্বগী থৌইনশিন য়াওদনা ভারত বাইওটেক্কী মীওইবদা চাংয়েং তৌবগী ফেজদা শরুক য়াজগে হায়না ওফর তৌখি। মীওই ২৫,০০০ হেনবদা চাংয়েংগী দোজশিং থাখি হায়রি।

টালিবান মিলিটেন্ট ২৫ শিরে, সুপ্রিম কোর্টকী জজ হাৎখ্রে

কাবুল, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সী) : কম্মান্দর অনী য়াওনা য়ামদ্রবদা টালিবান মিলিটেন্ট ২৫ অফঘানিষ্টানগী হেলমন্দ প্রোভিন্সতা চথখিবা রেয়দ অমদা শিখ্রে অমসুং অতৈ নিপানসু রেয়দ অদুনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

আর্মি কোর ২১৫ মাইৱান্দগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, অফঘান নেসনল দিফেন্স এন্দ সিক্যুরিটি ফোর্সেস (এ এন দি এস এফ) না ইরাই নুমিৎতা হেলমন্দগী নাৱে-ই-বরাকজাইদা ওপরেসন অমা চথখি অমসুং মদুদা মীশি-মীনাশিং অসি থোকখিবনি।

মিলিটেন্টশিংনা এ এন দি এস এফকী পোজিসনশিংদা এটেক কয়া চথনবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী থৌরাংশিংদা মায় পাকহন্দনবগীদমক্তা ওপরেসন অদু চথখিবনি। কেপিটেল কাবুলগী খা নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৫৫৫ লাপ্পা লৈরিবা লমদম অদুদা চথরিবা রেইদ অদুদা এ এন দি এস এফনা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম ৬সু থুগাইখি অমসুং ইমপ্রোভাইস বোম মরি দিফ্যুজ তৌখি। ওইরক্লিবা ফীভম অদুগী মতাংদা টালিবানগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি।

অমরোমদা অফঘান সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমা লৈবাক অসিগী কেপিটেল কাবুলদা হাৎখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা লোকল মীদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে। লোকল মীদিয়া রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না অব্দুল জামিল কৌবা জজ অদু রহমন মিনা নেবরহুদ পুলিস দিষ্ট্রিক্ট নিপান্দা লৈবা মোস্ক অমদা ইরাই নুমিৎকী লাইশোনগী থৌরম লোইরগা থোক্লকপদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। অফঘানিষ্টান্দা অককুবা টার্গেটিশিংদা পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা ওইরিবা এটেক অদু গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে।

মহৌশানা অফঘান ওফিসলশিংনা অদুগুম্বা মীহাৎশিং অদু টালিবান মিলিটেন্টশিংনা অককুবা টার্গেটিশিংদা চথবা এটেকশিংনি হায়না লৌই। হৌখিবা চহী খরা অসিদা টালিবাননা সিভিলিয়নশিং অমসুং মিলিটরি ওফিসলশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া চথখি।

IN THE FAMILY COURT: MANIPUR AT LAMPHELPAT, IMPHAL WEST

Matrimonial (Declaration) Suit No. 11 of 2020

Loitongbam Rajlakshmi
...PETITIONER

-Versus -

Loitongbam Rinku Singh
...RESPONDENT

SUMMONS

To,

Any interested persons

WHEREAS the above-named petitioner has filed an application before this Court for granting her a decree of declaration u/s 7 (1) of the Family Court Act, 1984 for declaring that the petitioner is unmarried and legitimate daughter of (Late) Loitongbam Sudhir Singh in the above referred case.

AND WHEREAS, any interested persons are hereby directed to appear either in person or by a pleader duly instructed on the 16th day of December, 2020 at 10:30 O'clock in the forenoon for giving objection(s), if any, to the said application failing which the application will be considered and determined ex-parte.

Sealed and signed by order of this Court, this 30th day of November, 2020.

By :- Advocate

Sr. Sheristadar
Family Court, Manipur
At Lamphelpat

HL-P/8199/6

ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6572/1-30/12

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ/ নুংশংগী মতীক চাবা ওজাদি ABDUL HAK, কবিরাজনি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোল্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থরকপা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, থুপ্পা-শাবা, অমাংথোঙ ময়াদা চেখাইবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, নময়াঙ নাবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, পূক নাবা, থবাক নাবা অমদি খ্বাঙ নাবগী অৱাবশিং অদু **Abdul Hak,** Contact No. : 8794429681, 8014623756 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Y. Sanjoy**
Sekmai Bazar

HL-P/8117/6

ꯑꯄꯦꯟꯕ/ EINA EYAMBA LAISHRAM SUDHAKAR BU APENBA PHONGDOKCHARI



SUDHAKAR

Ei Nongthombam Donio Khagempalli Pankhada leiba ei eshagi oi thangba Kidney da tha taruklomgi mamangdagi leiramba nung adu Sagolband Khamnam Leirak I.T.I. manak Imphalda leibiriba ebung Laishram Sudhakar (Shamu) (Apokpa L. Nabakishore) gi matengdagi eibu layengbiduna eigi nung adu takhre. Mashigidamakta eyambabu eina hanna hanna apenba phongdokchari.

Sd/- **Nongthombam Donio**
Khagempalli Pankha

HL-P/8180/6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: PATSOI, IMPHAL WEST DIST., MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 440/SDC/P/2020

Longjam Purnimashi Devi W/o (L) Korabin Singh of Changangei Maning Leikai. -Petitioner

-Vrs-

I. Late Longjam Shyamkishwor Singh (minor) on behalf real mother widow Thoibi of changangei.
II. Late Longjam Ibochouba Singh (minor) on behalf real mother widow Thoibi Devi of -do- -O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

the 3rd Dec., 2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার। লোংজম শ্যামকিশ্বর সিংহ অলিমাতা থোইবী লুখ্রাবী সাং চঙাঙ্গৈ, II এল ইবোচৌবা সিংহ (নাবালক) অলিমাতা থোইবী লুখ্রাবী মা, তথাগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৭৮-চঙাঙ্গৈগী অনৌবা পাট্টা নং ৪২০, দাগ নং ৭৭ অমসুং এরিয়ানা .৭৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Patsoi

HL-P/8200/6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG

Ref :- Mutation Case No. 301/SDC/M dt. 5/12/2020

Tongbram (o) Tomalei Leima W/o Late T. Rajen Singh of Keirenphabi Mamang Leikai.

-Vrs-

Late Tongbram Rajen Singh S/o Late T. Gandhar Singh of Keirenphabi Mamang Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

Moirang, the 5th December, 2020

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫৪-খা-থীনুঙ্গৈদা লৈবা পাট্টা নং ১৫৪৫/১৮৮৪ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৪৩৫৩ এরিয়া ০.৫০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদর মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং লোয়নবীনা ইংখোল অসিগী মিং ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-B/6588/6

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Moirang

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG

Ref :- Mutation Case No. 302/SDC/M dt. 5/12/2020

Laiphrakpam Premananda Singh S/o Late L. Mani Singh of Moirang Phiwangbam Leikai.

-Vrs-

Late Philem (N) Laiphrakpam (o) Bino Devi W/o Late Laiphrakpam Mani Singh of Moirang Phiwangbam Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

Moirang, the 5th December, 2020

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫২-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৪০১ অনৌবা সী এস দাগকী নং ১/১৮৩০, ২/১৮৩২ অমসুং ৩/১৮২৯ এরিয়া ১/০.০৯, ২/০.০১ অমসুং ৩/০.১৮ অপূনবা এরিয়া ০.২৮ একর অসিগী পাট্টাদর মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মচানা (দরখাষ্টকারি) অসিনা লমশিং অসিগী মিং ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-B/6588/6

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Moirang

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 405/SDC/IW-L/2020

Chingangbam Sobha Singh S/o (L) Ch. Thambalngou Singh of Lamdeng Mayai Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Late Chingangbam Thambalngou Singh S/o (L) Tan Singh of Lamdeng. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

4/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার চিংগাংবম থম্বালঅঙৌ সিংহ পীতা মৃত তান সিংহ সাং লমদেংগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩২/৮৮২ দাগ নং ৫০৮/৮৬৪ এরিয়া ০.৪২০০০ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/8193/6

***Sd/-* Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang**

ꯀꯨꯝꯍꯩ / হায়ি থৌলেল থৌকাবা

(মথৌ য়াঙ্গেলবা)

ঐখোয় খ্বায় পুম্নমক্কী ইরক্তা তিঞ্জরম্বা **লিশম প্রেমচান্দ মীতৈ**না হৌখিবা কোরৌ নিংথৌকাবা হিয়াঙ্গৈগী ১৫নি পানবা চৈচৎ ৩০।১১।২০২০গী য়াইফরবা নোংজাদা মপূনা পীবীরকপা পুন্সি চেংজেনবু খাউনীং তেংলবগী অমংগী য়াইথোংবু কুম, শজিক মতুং ইন, থবা মমৈবু ৱাইখিদুনা পুম্নমকপু শেম্নীরিবা তেংবানবগী মপু অতিংকোক কুরু শিদবগী সনা খূয়াখা হীমরু য়াইকোননুংদা য়াইবীনা মদোম কোরৌ নোঙ্গাখ্রে।

লাক্লিবা হিয়াঙ্গৈগী ১৯নি পানবা ইরাই নুমীৎ চৈচৎ ৪/১২/২০২০ দা মঙানি লৈহুন (থৱায় মীকৌবা), তমজরগা হিয়াঙ্গৈগী ২৫নি পানবা চৈচৎ ১০/১২/২০২০গী কোরৌ শগোলশেল, নুমীৎতা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদংগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগীদমক্তা, হৈয়ি লাইমরু 'ক' সনা মপুরেল হৈরোম শিদবা মপুগী মীংখৈ শক-শোঞ্জদুনা পারোই-পুরোইগী নোঙ্গাথৌবু পাঙথোকচগদৌরি।

য়াইফরবা কোরৌ নোংজা অসিদা ইপা-ইতোন, ইচিল-ইনাও, ইচে-ইনেম অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা শিদবা মপুগী মীংখৈ শক-শোঞ্জবা অসিবু তাবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেল কচ্চরি।

পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জবগী অয়োন-অরান খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌগল ফংজরিবশিং :

১। লিশম গৌরমনি সিংহ (মপা)
২। লিশম ওংবী থামেম্মা দেৱী (মমা)
৩। লিশম ওংবী খেরোদা লৈমা (লোয়নবী)
৪। লিশম ষড়ঙ্গজিৎ (ময়াম্বা)
৫। কৈথেল্লাকপম সরত (মবাই)
৬। লিশম খোগেন (ময়াম্বা)
৭। লিশম সোমোকান্তা (মনাওনুপা)
৮। লিশম লেখেন্দ্রো (মনাওনুপা)
৯। লিশম গীৎচন্দ্র (মনাওনুপা)

অমদি ইমুং-মনুং

থৌরম পরেং ঃ
অয়ুক পুং ০৮.০০ - থৌরম হৌবা।
অয়ুক পুং ১১.৩০ - থৌরম লোইবা।

9612680209

পাটশোই পার্ট-১, অৱাং লৈকাই।।

HL-P/8189/6

GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 4th December, 2020

No. Prop/SR/IW/2020: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Human Resources Development Organisation"** on 03/12/2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Uripok A.C.**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/8192/6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: PATSOI, IMPHAL WEST DIST., MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 483/SDC/P/2020

Golmei Tachunglu W/o (L) Golmei Meirongjin of Sangaiprou Kabui Khul -Petitioner

-Vrs-

Late Golmei Meirongjin S/o Golmei Rumala Kabui of Sangaiprou Kabui Khul. -O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

the 3rd Dec., 2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার গোলমৈ মৈরোংজিন, পীং গোলমৈ রুমালা সাং সঙাইপ্রৌ কবুই খুলগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৮৩-লমজাওতোংবগী অনৌবা পাট্টা নং ২৭৩৩, দাগ নং ৩০০৬ অমসুং এরিয়ানা .০৫৬২৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Patsoi

HL-P/8200/6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG

Ref :- Mutation Case No. 300/SDC/M dt. 5/12/2020

Phairembam Shanti Singh S/o Late Ph. Mangi Singh of Moirangkhunou Makha Leikai.

-Vrs-

Late Phairembam Shamu Singh S/o (L) Ph. Ningthoujao Singh of Moirang Khunou.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

Moirang, the 5th December, 2020

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫৪-খা-থীনুঙ্গৈদা লৈবা পাট্টা নং ৪৭৮ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৩০৮৪ এরিয়া ০.৫৮ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদর মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি ইমুং-মনুং মশুনা মিং ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থাদুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-B/6588/6

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Moirang

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III, MANIPUR

Ref :- Mutation case no. 267/AS & SO-III Date 4/12/2020

1. Elangbam Pramodini Devi W/o Late Narjit Singh of Kongpal Kongkham Leikai.
2. Elangbam Biren Singh S/o Late Narjit Singh of Kongpal Kongkham Leikai.
3. Elangbam Surchandra Singh S/o (L) Narjit Singh of Kongpal Kongkham Leikai.
4. (i) Elangbam Nelson S/o Late Premananda Singh of Kongpal Kongkham Leikai.
(ii) Elangbam Lanchenba Singh S/o Late Premananda Singh of Kongpal Kongkham Leikai. -Petitioners

-Vrs-

Co-Pattadar no. (4) Elangbam Narjit Singh S/o Late Angangmacha Singh of Elangkhangpokpi. -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

Imphal 5/12/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 23-Kongkham Leikai পাট্টা নং ২০ অরিবা ৬২ অনৌবা দাগ নং ১১৭ এরিয়া .৫৭ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Co-pattadar no. (4) Elangbam Narjit Singh মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৫/১২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer
III, Manipur

HL-P/8194/6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: PATSOI, IMPHAL WEST DIST., MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 482/SDC/P/2020

Golmei Tachunglu W/o (L) Golmei Meirongjin of Sangaiprou Kabui Khul -Petitioner

-Vrs-

Late Golmei Meirongjin S/o Golmei Rumala Kabui of Sangaiprou Kabui Khul. -O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

the 3rd Dec., 2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার গোলমৈ মৈরোংজিন, পীং গোলমৈ রুমালা সাং সঙাইপ্রৌ কবুই খুলগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৮৩-লমজাওতোংবগী অনৌবা পাট্টা নং ২৫০৫, দাগ নং ২৭৬৩ অমসুং এরিয়ানা .০৮০২৯ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Patsoi

HL-P/8200/6